# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-12-2024)**

**মনমোহোনঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহ ঙরাং এইমস দিল্লিদা লৈখিদ্রে, মশাগী চহি ৯২ শুখ্রে।

ডা: মনমোহোন সিংহ মশা নুংঙাইরক্তবদগী ঙরাং নুমিদাং অরুবা ফিভমদা হোস্পিতালদা পুখৎলকখিবনি। মহাক দিল্লিগী এইমসকী মেদিকেল ইমর্জেন্সিদা পুখৎলবা মতুং পুং ৯ মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা লৈত্রে হায়না লাউথোকখি। ডা: মনমোহোন সিংহগী লোয়নবী অমসুং মচানুপী অহুম লৈহৌরি।

য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু.পি.এ) চুংশিন্নবা সরকারগী মতমদা ইং ২০০৪ দগী ২০১৪ ফাওবা টার্ম অনিরক ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্মী। হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-পি.ভি. নরাশিমহা রাওগী মখাদা শেল থুম মন্ত্রি ওইদুনা ইং কুমজা ১৯৯১ দা ভারতকী ইকোনোমিদা অওনবা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

ডা: মনমোহোন সিংহনা লৈখিদবদা নুমিৎ তরেৎনি জাতি থাক্কী অৰাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা কেন্দ্র সরকারগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লরোই হায়রি। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম রাজ্য থাক্কী ইকায় খুমবগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলশিংগী মীফম অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১ পাঙথোক্কনি।

ডা: মনমোহোন সিংহনা লৈখিদবদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কংগ্রেস লুচিংবা সোনিয়া গান্ধি, রাহুল গান্ধি, প্রিয়াঙ্কা গান্ধি, মালিক অরজ্ন খর্গেনচিংবনা অৰাবা ফোংদোরক্লি।

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহনা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা

থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মীৎয়েং শানবা লুচিংবা ওইবতা নত্তনা ডা: মনমোহোন লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাং লৈবাক অসিনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

ডা: মনমোহোননা লৈখিদবদা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশজিৎনসু অৱাবা ফোংদোরক্লি। এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনসু ডা: মনমোহোন লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা বিষ্ণুপুর জিলাগী খা শঞ্জেনবম হায়স্কুল কমপ্লেক্স শেমজিনবা অদু শঙ্গাখ্রে। মফম অদুগী মীয়ামনা হায়জরকপদগী শেমজিন শাজিনবগী থবক অদু চথখিবনি।

অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী কোভাং খুলদা ঙরাং হকচাং ফনা লু-নান্না লৈনবগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। মফম অদুগী মীওইশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল ওফিসারশিংনা হকচাং ফনা করমা থমগদগে হায়বদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

চান্দেল জিলাগী আইবোল জোপী খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু ঙরাং পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা লায়েংবা লাকখিবা খুঞ্জাশিংদা লেমা হিদাক লাংথকসু খুৎশিন্নখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীৎয়েং হায়বা তারবদি নহাশিংবু শক্তি পীবা হায়বসিনি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকপা বির বাল দিবস থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী লৈবাক কয়ানা ভারত্তা আশা অমগা লোয়ননা য়েংল্লক্লি। মসি নহাশিংগী শক্তিননি। মহাকা হায়-সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং স্তার্টঅপ ইকো সিস্টেম, স্পেস ইকোনোমি, শান্ন খোৎনবা, স্কিল দিবলপমেন্ট, ইন্টরনসিপ স্কিমনচিংবশিং অসি নহাশিংদা যুম্ফম

ওইরগা পায়খৎপনি অমদি মখোয়শিংবু খুদোংচাবা পীনবগীদমক্তনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙসিদি স্তার্টঅপতগী সাইন্স ফাওবা, স্পোর্টসতগী ওন টরপ্রেন্যুয়রসিপ ফাওবদা নহাশিংগী শক্তিনা অনৌবা অওনবা অমা লাক্লি। রাজনিতিদা য়াওদ্রিবা ইমুং মনুংগী নহা লাখ অমা রাজনিতিদা য়াওহনবা হায়বসি মহাক্কী মঙলাননি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-থৌরাং অসি লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা য়ামা মরুওইবা অমা ওইবগা লোয়ননা রাজনিতিদা অনৌবা মীরোল অমা পুথোরকবগী কেম্পেইননি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং লৈবাক অসিগী অঙাং ১৭ তা প্রধান মন্ত্রি রাস্ত্রিয়া বাল পুরুস্কার খুৎশিন্নখ্রে। মনা অসি অঙাংশিং অসিনা হৈথোই শিংথোইবা উৎপগীদমক তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি তরেৎতা পীবনি।

আর্ট এন্দ কলচর, থৌনা ফবা, ইনোভেসন, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি, সোসিএল সার্ভিস, শান্ন খোৎনবা অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকী লমদা হৈথোহ শিংথোইরবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৪ গী খনগৎলবা অঙাংশিংদা মনা অদু খুৎশিন্নখিবনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অনাপুরনা দেবীনা মনা ফংলবা অঙাংশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-মনা ফংলবা অঙাংশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা পোকই। বাল পুরুস্কার ফংলবা অঙাংশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মখোয়না তুংদা পাঙথোক্কদবা থবকশিংদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। অঙাংশিংগা ৱারী শান্নবা অদুদা মখোয়গী অনিংবা, অপাম্বশিং অদু প্রধান মন্ত্রিদা ফোংদোকখি।

**কমিতি ঃ** ৱাখফ (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৪ গা মরী লৈননা শেমখিবা পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট কমিতিগী মীহুৎশিংনা করনাতক, রাজস্থান অমসুং মধ্য

প্রদেসকী মাইনোরিতি এফিয়ার্স বিভাগকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমসুং রেভিন্যু সেক্রেটরিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ৱাখফকী লন থুমশিং রেজিস্তার তৌবা অমসুং রেজিস্তার তৌদবশিংগী মতাংদা খঙনবা কমিতি অদুনা হোৎনখি।

মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিগী চেয়ারপার্সন-জগদম্বীকা পালনা হায়-মীহুৎ কাংবু অসিনা নোংচুপ বেঙ্গোল, বিহার অমসুং উরিষ্যাদসু চৎকনি অমদি সংস্থানশিং অমসুং রাজ্য সরকারগী ওফিসিএলশিংগা ৱারী শান্নগনি। মহাকা হায়-হৌজিক ফাওবদা কমিতি অসিনা তোঙান তোঙানবা মফম ২০ দা চৎতুনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা মীফম পাঙথোক্লে। দা ৱাখফ (এমেন্দেমেন্ট) বিল-২০২৪ না রেকোর্ড দিজিটাইজেসন তৌবা য়াওনা ওদিট, ত্রান্সপেরেন্সি লৈহনবা অমদি নিয়ম লান্না ৱাখফকী লন-থুম লৌশিনবশিং শেমদোক্তুনা অওনবা পুরকবা হোৎনবনি।

**পঞ্জাব ঃ** লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোঙশিংদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা পাইপ ৱাটর চাদা চামগী চাং য়ৌবা ঙস্বা রাজ্যশিংগী মনুংদা পঞ্জাব মঙাসুবা রাজ্য ওইরে।

পঞ্জাবকী ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিতেসন মন্ত্রি হরদিপ সিংহ মুরিয়ন্না হায়-থৌরাং অসি কেন্দ্র সরকারগী হর ঘর জল স্কিম মখাদা পায়খৎপনি। লুপা কোতি লিশিং ২,১৭৪ চংনা খুঙ্গং লিশিং ১,৭০৬ তা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকবা প্রোজেক্ট ১৫ পায়খৎখি। প্রোজেক্টশিং অসিনা ইমুং লাখ ৪ গী মীওই লাখ ২৫ দা কান্নবা ফংহল্লে। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী খুঙ্গং খুদিংমক ওপন দিফিকেসন ফ্রি ষ্টেটস ওইরে। থৌরাং অসি স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা পায়খৎখিবনি।

**সন্তোস ঃ** মনিপুর ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী সেমি ফাইনেল চংলে।

ঙরাং হায়দ্রবাদকী দেকান এরেনাদা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা মনিপুরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখিবনি। টিম অনিনা অপিবা মতমদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরবা মতুং এক্সত্রা টাইমগী মতমদা মনিপুরনা পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখিবনি।

এস. রাগুইনা পাঞ্জল অনি চনখি অমসুং প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গোলনা উরিষ্যাবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রবনি। ঙসি কেরলা এফ.সিগা জম্মু কাশ্মিরগা অমসুং মেঘালয়গা সাভির্সেসকা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

**হোকিঃ** হোকি ইন্দিয়া লিখ ২০২৪-২৫, ঙসিদগী উরিষ্যাগী রাওকেলাদা হৌরগনি। অহৌবগী মেটচ বিরশা মুন্দা হোকি ষ্টেদিয়মদা দিল্লি এস.জি. পাইপরসকা বোনাসিকাগা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগাদমক টিম তরেৎ সহর অসিদা থুংলরে।

নুপাগী লিখ অসি তাঙ্কক অনি থোকা শান্নগনি। অহানবা তাঙ্ককনা দিসেম্বর ২৮ দগী হৌরগা জানুৱারী ১৮ ফাওবা চত্থগনি। অনিশুবা তাঙ্কক জানুৱারী ১৯ দগী হৌগনি। সেমি ফাইনেল জানুৱারী ৩১ দা পাঙথোক্কনি। ফাইনেলনা ফেব্রুৱারী অমদা পাঙথোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ম্যান্মার মচাশিং মনিপুরগী ঙমখৈদা কিলোমিটর ১০ ফাওবা চংবা য়াহনখ্রে, পার্সোনেল লিশিং অমদা কম্যান্দোগী স্পিসিএল ট্রেন্নিং পীরগনি, পর্সোনেল খরদনা মোব কন্ট্রোল তৌহল্লগনি-চীফ মিনিস্তর চীফ অমদি চীফ সেক্রেটরি ট্রান্সফর তৌখ্রে, অনৌবা হাপ্লকত্রি হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি

ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

লালহৌবা পুন্বা খুৎলায় থাদোকহন্নবগী ৱাফম ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনিপুরগী হান্নগী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা সিধার্দ মিদুলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগী সব হেদলাইন ওইনা মনিপুরগী ইরাং অসি এক্সটরনেল ফোর্স য়াওরমগনি হায়না থাজবা লৈ হায়রি।

মিলিটেন্টশিংনা নুমিৎ হুমনি চুপনা লান্দারকখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন লাওথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মনিপুর নিউজকী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

কুকি টেরোরিষ্টশিংনা মীতৈ খুলশিংদা ঙাইহাক লৈতনা কাইহৌদুনা লান্দারকপা লেপত্রি হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঙসি এন.আই.টিগী কনভোকেসন পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অমসু মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পুবা থাংবা ঙমদবা শেলগী দিমান্দদগী লমশাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস থোঙ লোনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-টার্ম অনিরক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিস্তর ওইরম্বা ডা: মনমোহোন সিংহ লৈখিদ্রে, ঙসি ষ্টেট মোর্নিং পাঙথোক্কনি লাউথোকখ্রে, লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং য়েথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা তৌরি।

সেন্ট্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতিগী রিক্রুইটমেন্ট ইগজাম ইম্ফালদসু সেন্টর ওইনবা এ.বি.ভি.পিনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।